**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14-08.2024)**

**রাস্ত্রপতি ঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-নীংতম লান্মীশিংনা মংজরম্বা মংলান তুংগী মীরোলশিংনা মংফাওনহন্নবা তঙাইফদে। লাক্কদৌরিবা চহি কয়া অসিদা ঐখোয় পুমমকা অমত্তা ওইনা লেপ্তুনা অপুনবগী শক্তম উৎসি।

নীংতম নুমিৎ পালনগা মরী লৈননা অকাবানিগী থোংদা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদা পীবা পাউজেল অমদা রাস্ত্রপতিনা হায়-লৈবাক অসিগী থৌনা ফরবা মীওই কয়ানা মরৈবাক্কীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা নীংতমবগীদমক মাংজিল থানা চংশিনখি। মখোয়না পীবিরম্বা নীংতম্বা অসিবু ঐখোয় পুমমকা মতম চুপ্পদা ইকায় খুমফম থোকই। মখোয়গী থৌনা লিংজেল অদু মীরোল কয়ানা মতম চুপ্পদা নীংশিংদুনা লৈরগনি।

শ্রীমতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়-২০২১ দগী ২০২৪ ফাওবগী মনুংসিদা শেন মীৎলোনদা ভারতনা চাদা ৮ গী চাংদা হেনগৎতুনা খ্বাইদগী হেন্না য়াংনা হেনগৎলক্লিবা লৈবাক অমা ওইরি। মসিনা লাইরবগী মখাদা লৈবা মশিংসু নীংথিনা হন্থরক্লি। ভারতকী শেন্মীৎলোন মালেমগী থাক্তা মঙাশুবদা লৈরে। মসি ভারত মচা অমা ওইনা চাউথোকচনিংঙাই ওইরি। লৌমী অমসুং শিন্মীশিংনসু মসিদা চাউরবা থৌদাং য়ারি। লৌমীশিংনা পোৎথোক পুথোকপগী চাং তেল্লবা মতম খরা অসিদা অদুক্কী মতিক চাং ৱাংনা হেনগৎলক্লি।

লম্বী থোংগী ফিভমসু হায়নিংঙাই লৈতনা ফগৎলক্লি হায়না রাস্ত্রপতিনা ফোংদোকখি।

**নীংতম (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসি ৭৭ শুবা মনিপুরগী নীংতম নুমিৎ পালন তৌখ্রে।

তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইটি লুপশিং অমদি মৈরা পায়বীশিংনা মফম কয়াদা নুমিৎ অসিবু পালন তৌখি।

ওল মনিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (অমুকো) না শিনদুনা নুমিৎ অসি ক্বাকৈথেলদা লৈবা লুপ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখি। মদুদা শরুক য়াখিবা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট-ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা হায়-মনিপুরগী নীংতম নুমিৎ পাঙথোকপা অসি ভারতকী মায়োক্তা লৈবা নত্তে। মসিদি রাজ্য অসিগী মীয়ামগী তৌফম থাকপা থৌদাংনি। কুমজা ১৯৪৭ কী আগষ্ট ১৪ দা বৃটিশনা মনিপুরবু থাদোকখিবা নুমিৎতগী নিংখা-তম্বা লৈবাক ওইনা ওইরকখিবনি।

নিংখা তম্বগী নুমিৎ অসি য়ুনাইটেদ কমিতি মনিপুর (য়ু.সি.এম) নসু শিনদুনা লমফেলদা লৈবা লুপ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট-জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা হায়- মনিপুর তাঙ্কক অনিরক্তা মীখা পোনবা লৈবাক ওইখি। ইং ১৮১৯ দগী ইং ১৮২৬ ফাওবা বরমিজকী মখাদা লৈখি। ইং শোক ১৮৯১ দগী ১৯৪৭ ফাওবা চহি ৫৬ বৃটিশকী মখাদা লৈখি। ঙসিগী নুমিৎ আগষ্ট ১৪ অসিদা বৃটিশনা মনিপুরবু থাদোকখিবগা লোয়ননা মনিপুর নীংখা তমখি। লোয়ননা নুমিৎ হুমনি চুপা মৈ থানদুনা মীয়ামনা নুংঙাইবা ফোংদোকখি। মহাকা হায়-য়ু.সি.এমগী ৱাখল্লোন্দি মনিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়হন্দনবা থম্বনি। মনিপুরবু মচেৎ তানা থুগায়নবা শিনবা থৌশিলশিংবু মায়থিবা পীগে হায়রবদি ঐখোয় অমত্তা ওইনা পন্‌শিনবগী তঙাইফদবা লৈ।

অমরোমদা, নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মনিপুর য়ুথ লিগ (ময়োল) না রিমসকা খুৎশমদুনা অনৌবা লালোংগী কৎথোক্লবা ঈ হায়বা ৱাখল্লোন্দা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মীওই ৫০ রোমা ঈ দান তৌখি।

**আগষ্ট ১৫(এল)ঃ** লৈবাক শিনবা থুংনা নীংতম নুমিৎ পাঙথোকবা শেম

শাখিবগা লোয়ননা রাজ্য অসিদসু ভারতকী নীংখা তম্বগী নুমিৎ পালন তৌনবা শেম শাবা লোয়রে।

মপুং ওইবা থৌরম রাজ্য সরকারনা শিনদুনা অহানবা মনিপুর রাইফলসকী পেরেড গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা লৈবাক অসিগী মচু অহুগী ফিরাল চিংখৎকনি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা রাজ্যপাল, মুখ্য মন্ত্রি, মন্ত্রিশিং অমসুং এম.এল.শিংনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপাল-লক্সম প্রসাদ অচ্যারিগী পাউজেলদা হায়-নীংতম্বা হায়বসি মতম কুইনা লান্থেংনরবা মতুংদা ফংল্লকপা মহৈ অমনি। নীংতম্বা অসি ফংল্লকবা হোৎনবদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদসু ইকায় খুমবা উৎলি। হৌজিক লৈহৌরবিা মীরোল অসিনা অথৌবশিংনা পীবীরম্বা নীংতম্বা অসি ঙাক শেনবগী তঙাইফদে। নীংতম নুমিৎনা লাকপদা ঐখোয় পুমমকা খাঙবা কনবগা লোয়ননা হোৎনদুনা লৈবাক অসিদা ঐখোয় খুদিংমকা অচৌবা থৌদাং লৌফম থোকই।

নুমিৎ অসি মপুং ফানা পালন তৌনবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা মফম কয়াদা চেকশিন্না ঙাক শেনবগী থবক চথরি।

নীংখা তম্বগী নুমিৎ অসি অকাশবানি ইম্ফালনসু শিনদুনা কোনুং মমাং, ঐচ.পি.দি. ময়াং ইম্ফাল কেম্পসতসু পাঙথোক্কনি।

৭৮ শুবা নীংতম নুমিৎ পালনগা মরী লৈননা রাজ্য অসিগী ফয়ার সার্ভিস বিভাগকী ওফিসার অনি, হোম এফিয়ার্স মন্ত্রালয়না মেরিটোরিয়স সার্ভিস মেদল পীরক্লে। মনা ফংলবা মীওই অনি অদুদি-পানমৈ গাইখোঙম অমসুং মাইবম সেভেনসন সিংহনি।

**রাজ্যপাল(এল)ঃ** রাজ্যপাল-লক্সম প্রসাদ অচ্যারিয়ানা হায়রি-মীপুম খুদিংমক ইমা লৈবাকা খ্বাইদগী লুমা লৌবা তঙাইফদে। লৈবাক অসিনা মাং থাদুনা থমগদবনি হায়বা ৱাখল্লোন চেনগদবনি।

ৱাফম অসি ঙসি মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ ইনর্ফোমেসন টেকোলোজিগী বোইজ হোষ্টেল অমদি দাইনিং হোল শঙ্গাবগী থৌরমদা রাজ্যপালনা ফোংদোকখিবনি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা রাজ্যপালনা ইন্সটিট্যুট অসিগী কমপ্লেক্সতা উ চারা থাখি। লোয়ননা ইন্সটিট্যুট অসিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা থৌরমদা রাজ্যপালনা হায়-মহৈরোইশিংনা থৱায় হকচাং য়াওনা মহৈ মশিং তমদুনা লৈবাক অসিগী য়াইফনবা থবক তৌনবা হোৎনগদবনি। লৈবাক অসিগী তুংগী যুম্বী মহৈরোইশিংনা ওইগদৌরিবনি হায়নসু রাজ্যপালনা মখা তাখি।

**রেল্লি (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-হর ঘর তিরঙ্গ কেম্পেনদা ঐখোয় পুন্না শরুক য়াদুনা অনৌবা শক্তি লৈবা মনিপুর অমসুং ভারত অমা শেম্বদা থৌদাং লৌমিন্নশি।

ৱাফম অসি অজাদি কা অমৃট মহোৎসবকা মরী লৈননা পাঙথোকপা হর ঘর তিরঙ্গ কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা বাইক রেল্লি অমা ঙসি মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা ইম্ফালগী হপ্তা কাংজৈবুংদগী লমথবগী থৌরমদা ফোংদোকখিবনি।

মণিপুর সরকারনা শিনবা বাইক রেল্লি অদু বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাংগী চীংঙৈ লম্পাক্তা লোইশিনখি

বাইক রেল্লি অদু লমথাবগী থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ভারতপু মপাঙ্গল কনবা অমদি মাংজিল থাবা লৈবাক অমা ওইনবগীদমক প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা যুমথোং খুদিংদা লৈবাক অসিগী মচু অহুমগী ফিরাল থেৎনবা থৌরাং পায়খৎতুনা লাক্লি। মসিনা মরৈবাক মজাতিবু নুংশিহন্নবগী ৱাখল্লোন ফাওহনবদা অচৌবা মতেং ওইরি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা হকশেল মন্ত্রি ডাঃ সাপম রঞ্জন, চীফ সেক্রেটরি অমসুং দি.জি.পি য়াওনা মকোক থোংবা লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

হর ঘর তিরঙ্গাগী কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা লুচিংদুনা তিরঙ্গা যাত্রা চৎখি। যাত্রা অদু থৌবাল মিণি সেক্রেটরিয়েটতগী হৌরবা অথোকপমগী অরোং থোং ফাওবা চৎলবা মতুংদা মিণি সেক্রেটরিয়েটতা অমুক হল্লকখি। জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনসু শিনদুনা বাইক রেল্লি অমা পাঙথোকখি।

**অম্বা (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা মনিপুর হায় কোর্টনা তুমিন্না লৈশিল্লি হায়না দিল্লিদা সেনিয়ার এভোকেট অমনা ফোংদোকখিবগা লোয়ননা কোর্ট অসি মুখৎখিবনা ফরে হায়বা ৱাফম ফোংদোকখিবগী মায়োক্তা ওল মনিপুর বার এসোসিয়েসননা অকনবা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়রি।

দিল্লিদা পাঙথোকপা মীফম অমদা কোলিন গোলস্লেপ কৌবা সেনিয়ার এদভোকেট অমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদু এদভোকেট অমা ওইনা হায়ফম থোক্তবা ৱাফমনি। মহাক্কী মথক্তা থবক লৌখৎনবা সুপ্রিম কোর্ট, হায় কোর্ট, কন্সুল ওথোরিতি অমদি মনিপুর সরকারদা অইবা চেরোল পীশিল্লগনি হায়রি। ৱাফম অসি সেনিয়ার এদভোকেট অদুনা ফোংদোকখিবা ৱাফমগী মায়োক্তা ওল মনিপুর বার এসোসিয়েসননা ঙসি চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা চথখিবা ৱাকৎ মীফমদা লুপ অসিগী মায়কৈদগী খঙহল্লকখিবনি। মীফম অদুদা স্তোপ এট্রেক ওন ওনরেবল মনিপুর হায় কোর্ট বুক কোলিন গোলস্লেপ হায়না ইবা প্লে কার্ডশিং শিজিন্নখি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা নোনে জিলাগী বৈতুম খুল্লেন খুলগী এল. হেনজোল জনিয়ার হায়স্কুলদা ঙসি হর ঘর তিরঙ্গা কেম্পেসন মহৈরোইশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে। মসিগা মরী লৈননা অসাম রাইফলসনা কুইজগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

তুপুল খুলগী চরোই চগোতলোং হায়স্কুলদা অসাম রাইফলসনা হর ঘর

তিরঙ্গাগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

অমরোমদা, নীংতম নুমিৎকা মরী লৈননা অসাম রাইফলসনা খৌপুমগী সতুদাই খুলদা নুপাগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মহেরোই, খুলগী লুচিংবা অমদি খুঞ্জা কয়া শরুক য়াখি।

**স্কুল (এল)ঃ** লালাম্বুং হায়স্কুল অমদি ফয়েং হায়স্কুলদা ক্লাস ফাইবতগী টেন ফাওবদা তম্বা মার্ক য়ামা ফংবা সেদ্যুল কাষ্ট অমদি সেদ্যুল ট্রাইসবকী মহেরোই নুপীমচাশিংদা কেনেরা বেঙ্ক-ডাঃ অম্বেদকর বিদ্যা জ্যোতি খুৎশিন্নখ্রে। মমাংদা খুরখুলগী সদর পতেল হায়স্কুলদা তম্লিবা নুপীমচা মহেরোইশিংদসু স্কোলারসিপ পীখিবা লৈখ্রে।

**কেম্প (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নুঙ্গোই অৱাং লৈকাইদা নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কেম্প অসিদা পুন্না মীওই ১০০ রোম লায়েংখি অমসুং হিদাক লাংথকসু য়েন্থোকখি।

**এৱারনেস(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পৌরাবীদা লৈবা জেম পব্লিক স্কুলদা নোংমগী ওইবা দেঙ্গি অমসুং মেলারিয়াগী মতাংদা মীয়ামবু ভাব তাহনবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেলারিয়া ওফিসার-ডাঃ তেখেল্লম্বম নেপোলিয়নসু শরুক য়াখি।

**খুৎলায় (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা ককচিং জিলাগী মনুং চনবা মোলতিচান ভিলেজ এরিয়াদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ঙসি অয়ুক পং তরুক অদুৱাইদা চথখিবা থিবা হুম্বগী থবক্তা মফম অদুদগী স্মোগ বোম অহুম, ষ্টটন সেল মঙা, টিয়ার স্মোগ সেল অমা, স্মোগ সেল মঙা, লোং রেঞ্জ টিয়ার স্মোগ সেল অমা, দিটোনেটর

য়াওদবা গ্রেনেদ অনি, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অনি, পম্পী অনি, পাইপ গন য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিংসু ফাগৎপা ঙমখি হ্যয়রি।

**মনকি বাট** ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী **১১৩ শুবা** মনকি বাট- পুকিংগী ৱা থা অসিগী ২৫ দা অকাশবানিদা শন্দোক্কনি। মসিগীদমক মীয়ামা সজেসনশিং টোল ফ্রি নম্বর 1800-117-800 দা পীরকপা য়াগনি।